# মণিপুর য়ুঠ লীগ ২০২০ পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা অহানবা আর কে জয়চন্দ্র সিংহ মণিপুর য়ুঠ লীগ ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহী ১৩ মখা, ১৫ মখা অমদি ১৮ মখাগী কাঙলূপ অহুম থোক্না পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলগী ডাইরেক্টর থাংজম নাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

চীঙমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী দাইনেষ্টি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা নাওবনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ লীগ অসিনা ষ্টেট অসিগী ফুটবোলদা কেরিয়র অমা ওইনা চৎনিংবা ইনখৎল্লক্লিবা ফুটবোল্লশিংদা অচৌবা কন্নবা অমদি পীবা ঙমল্লগনি হায়না থাজে।

লীগ অসিবু হেন্না মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মশান্না অসিগা মরিলৈন্নবা মীওইশিংনা সপোর্ট তৌবীদুনা ষ্টেট অসিগী ইনখৎল্লক্লিবা ফুটবোল্লশিংবু পূন্না য়োকখৎমীন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুর য়ুঠ লীগকী পেট্রোন ইন চীফ ওইরিবা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আরকে ইমোনা হায়, ষ্টেট অসিনা নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা ফুটবোল্লর কয়া পুথোক্নুনা লাক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিনা ইনখৎল্লক্লিবা ফুটবোল্লশিংদা কান্নবা পীবদা নৎত্তনা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর ফুটবোলগী থাক অসিদগী হেন্না ৱাংনা লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং শুং শোয় শোয়দনা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জয়টিমোই রোই, অম্ফাগী এডজুকেটিপ কাউন্সিল মেম্বর আর কে সনায়াইমা, টিঐচ ওজিৎ, এজটেক্স স্পোর্টসকী মেনিজিং ডাইরেক্টর প্রেমন্দ অমদি ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলগী সলাম শচিদানন্দসু শরুক য়াখি।

চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদগী এপ্রিল ফাওবা থা ৩ চথগদৌরিবা লীগ অসি চহী কাঙলূপ খুদিংমক্কী ওইনা বোন–এজ রেটিংদা য়ারবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াগনি। লীগ অসি কাঙলূপ অহুমক্কী পূশিনল্লগা পূন্না মেটচ ১৭৭ শান্নগনি। টিম অমমমনা মেটচ ১৪ শান্নবগী খুদোংচাবা লৈরি। চহী কাঙলূপ ৩ অসি পূশিনল্লগা পূন্না শান্নরোই ৬০০ না শরুক য়াগনি হায়রি।

চহী কাঙলূপ অমদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসি ফেজ অনীথোক্না খায়দোক্কনি। হায়রিবা ফেজশিং অদুদি– অহানবা ফেজতা লীগ সিষ্টেম অদুগা অনীশুবা ফেজতনা ফাইনেল রাউন্দনি।

ফাইনেল রাউন্দ অসি কাঙলূপ খুদিংমক্কী তোপ ফোর চনবা টিমশিংনা সেমি ফাইনেল অমদি ফাইনেল শান্নগনি।

মণিপুর য়ুঠ লীগ ২০২০ অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা অহানবদা–দিষ্টিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এফ এ)গী মখাদা রিজিষ্টার তৌরবা ক্লব ওইগদবনি।

অনীশুবদা–শরুক য়াগদবা ক্লবশিংগী শান্নরোই খুদিংমক সেন্টরাইজ রিজিষ্টার সিষ্টেম (সি আর এস) রিজিষ্টার শান্নরোই ওইগদবনি।

অহুমশুবদা– চহী কাঙলূপ অহুম হায়বদি চহী ১৩ মখা, চহী ১৫ মখা অমদি চহী ১৮ মখাগী শরুক য়াগদবা ক্লবশিংনা শান্নরোই ২৫ রিজিষ্টার তৌগনি।

মরীশুবদা– করীগুম্বা লীগ অসিদা শরুক য়াগে হায়রবদি ক্লবশিংনা চহী কাঙলুপ অহুমক্তা শরুক য়াগদবনি। কাঙলূপ অমা নৎত্রগা অনীদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈতে।

মঙাশুবদা– পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসি হোম এন্দ এৱে বেসিসতা পাঙথোক্কদবনা ক্লবশিংনা হোম গ্রাউন্দ শুংশোয় শোয়দনা লৈবা মথৌ তারি।

**চহী কাঙলূপ খুদিংমক্কী থল্লিবা মনাশিং**

১. চেম্পিয়নগী মনাদা :
- শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ২ গা লোয়ননা চেম্পিয়ন ট্রোফি
- চেম্পিয়নগী টিম মেম্বর খুদিংমক্কী গোল্ড মেদলশিং

২. রন্নরস –অপ মনাদা :
- শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ১
- রন্নরস–অপগী টিম মেম্বর খুদিংমক্কী সিলভর মেদলশিং

চহী কাঙলূপ খুদিংমক্কী ইন্দিভিজ্যুয়েল মনাশিংদা :
- বেষ্ট গোল কিপ্পর - শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা গোল্ডন গ্লোব
- বেষ্ট স্কোল্লর – শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা গোল্ডন বুট
- প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট–শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, গোল্ডন বোল অমদি ভিলোনা স্পোন্সর তৌবা স্পোর্টস বাই–সাইকল অমমম

# থাঙ–তা গেমর্স দেমোনষ্ট্রেসন উৎলুনবগী ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অসামনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১০ দগী ২২ ফাওবা গুৱাহাটিদা চথগদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২০ দা থাঙ–তা গেমস দেমোনষ্ট্রেসন উৎলুনবগীদমক হুয়েল লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

দেমোনষ্ট্রেসন অসিগী মনুং চন্না থাঙ–তা মশান্নগী ফুন্নবা অমা, ফূন্নবা অনীশুবা, থাঙ হায়বা অমদি থাঙলোন, খোঙলোন–খুৎলোননাচিংবশিং উৎক্কনি।

থাঙ–তাগী টিম অসি হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা লুচিঙল্লি।

# বিক্কি অমদি বুসন ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এম এ টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস লবর (এ টি এল)না শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী সি ৱাই এল সিগী চিঙামথক্কী টেন্নিস কোটতা চথরিবা ৯ শুবা সি ৱাই এল সি ষ্টেট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এস বিক্কি অমদি ঐচ বুসননা শান্নরগনি।

চহী ৪৫ মথক দবসলগী ফাইনেলদা টুলেশ্বর অমদি কাঙজম্বাগী জুরানা দিল্লিপ অমদি ইবোলহলগী জুরানা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা টুলেশ্বর অমদি কাঙজম্বগী জুরানা প্রকাস অমদি মনিকেন্তনগী জুরাবু ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অদুগা দিল্লিপ অমদি ইবোহলগ্ঙী জুরানা সেমি ফাইনেলদা ইবোতোন অমদি রাকেসকী জুরাবু ৬–৩, ৩–৬ (১০–৮) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

চহী ৩৫ মথক দবলসকী ফাইনেলদা টুলেশ্বর অমদি কাঙলজম্বগী জুরানা প্রেমজিৎ অমদি জিটেনগী জুরাগা শান্নরগনি।

# মশান্না ৮গী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, এস টি সি খুমন লম্পাকনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৮ গী ওইবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি। মশান্নশিং অদুদি– নুপীগী বোক্সিং (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপা অমসুং নুপীগী ফেন্সিং (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপা অমসুং নুপীগী জুদো (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপীগী করাটে–দো (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপা অমসুং নুপীগী ৱেদলিফটিং (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপা অমসুং নুপীগী রেষ্টলিং (চহী ১২ তগী ১৮ ফাওবা), নুপাগী জিম্নাষ্টিক্স (চহী ১০ তগী ১৬ ফাওবা) অমদি নুপীগী স্বুইম্মিং অমদি দাইভিং (চহী ১০ তগী ১৬ ফাওবা)নি।

শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা www. nationalsportstalenthunt. com দা লোক ওন নৎত্রগা এস টি সি ইম্ফালগী সেন্টর ইনচার্জতগী থা অসিগী ১৩ দগী ২১ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অৱার মনুংদা লাক্লগা অকূপ্পা মরোল খঙল্লবা য়াগনি লোয়ননা ইলিজিবল ওইরবা কেন্দিদেশিংগীদমক থা অসিগী ২৩ দগী ২৫ ফাওবা সাই, এস এ টি সি খুমন লম্পাক্তা অয়ুক পুং ৬ তাবদা টেষ্ট পাঙথোক্কনিদ হায়রি।

# এম ৱাই সি এল লৈমাখোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

য়ুঠ পেরাদাইস ক্লব গোলতাবি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী য়াইঙপোকপী প্লে–গ্রাউন্দা টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্না শরুক য়াদুনা ৬ শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন'স সবেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম ৱাই সি এল লৈমাখোংনা এস ৱাই দি আই সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতনা ৱাই ভি সি থম্নাপোকপীনা এস ৱাই সি সনাশাবীবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এন এল এম ৱাই সি নাঙ্গোইনা এম পি ৱাই সি মোইরাং পুরেলবু ৩–০ দা অদুগা মরীশুবা মেটচতনা এম এন সি কে এনা বি এস য়ুবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

# যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টদা য়ু বি এফ সি মায় পাকখ্রে

জিরিবাম,জনুৱারি ১০ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা ঙসিদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা অহানবা মোইরাংথেম যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০দা য়ু বি এফ সি হমারখুলৈন মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী মেটচ অমদা য়ু বি এফ সি হমারখুলৈননা পি এফ সি ফাইতোলবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা য়ু বি এফ সি না তোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পি এফ সি ফাইতোলনা বোল কাওবা হৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিট ৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ সন্দামনা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল শোথরিবা য়ু বি এফ সি হমারখুলেন বোল হেন্না পায়দুনা পি এফ সি ফাইতোলবু লাকশিন্না শান্নদুনা গোল হন্দোক্নবা এটেক কয়া তৌদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদুগী মহৈ ওইনা মেটচকী মিনিট ৩৪ চৎপদা য়ু বি এফ সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৮ ইসাচ গোল চন্দুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি। য়ু বি এফ সিনা গোল মখা তানা হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকখিবদগী মেটচকী মিনিট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৬ অলফেদনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরকখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অসি য়ু বি এফ সিনা পি এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

# এল কে ৱাই দি এ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

রাইজিং নোলেজ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১দগী টিম ১৭ না গ্রুপ ৪ থোক্না খার্য়দোক্নুনা চথরিবা ৫ শুবা ইমা মনিশঙ নীংশিং ষ্টেট লেভেল ৪–এ সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এল কে ৱাই দি এ লাইফমখূনৌনা ৱাই আই সি কৈশামথোংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। গোল অদু উট্টমনা মিনিট ৩৬ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা য়ু টি এল দব্লিউ ওনা ওল এফ সি (বি)বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

# ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টদা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লব ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা নুপীগী টিম ৪ অমসুং নুপামচাগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৫ শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং জুনিয়রগী অহুমশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু–১৬) পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র বোইজকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমদি নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লব মায় পাক্নুনা থা অসিগী ১৩ দা ফাইনেল শান্নরগনি।

চহী কাঙলূপ অসিগী ৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শামুরৌ পোলো ক্লব অমদি এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা শমুরৌ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ টি ঐচ নোংপোকঙানবনা মিনিট ১.৩৫, ৩.৪৬, ৪.৩৫ দা পাঞ্জল ৩, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ টি দিনেসনা মিনিট ০.৩০, টি ঐচ নোংপোকঙানবনা মিনিট ১.৪২, ৩.১০ দা পাঞ্জল ২ অদুগা অরোয়বা মরীশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ টি বিকাসনা মিনিট ৪.৫০ অমদি জর্সি নম্বর ১ হিরোজিৎ থোকপমনা পাঞ্জল ৫.৫৫ দা চনখি।

মায়থিরবা শমুরৌ পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ বিজয়না মিনিট ৪.২০ দা চনখি।

৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন অমদি নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৯–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মায় পাক্লবা নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কেঐচ রিভান্দোনা মিনিট ৪.২০, জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ শন্তোসনা মিনিট ৬.৪০ দা চনখি। অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ কে ঐচ য়াইখোম্বনা মিনিট ০.৪৮, ৬.১০ অমদি টি ঐচ শন্তোসনা মিনিট ৩.৪০ দা চনখি।

অরোয়বা মরীশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা কেঐচ রিভান্দোনা মিনিট ০.১৮,৭.২০ দা পাঞ্জল ২ অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদুনা টি ঐচ শন্তোসনা মিনিট ৩.৫০ অমদি জর্সি নম্বর ৪ টি রিভান্দোনা মিনিট ৪.৫৭ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ পামহৈবা থৌনাওজমনা মিনিট ৬.০১ চৎপদা চনখি।

# মোদেল ক্লব চিঙামথক অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম ভি সি এ) না শীন্দুনা মমাঙ থা ২৬ তগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্নুনা চথরিবা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মোদেল ক্লব চিঙামথক অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহনবা গ্রাউন্দা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমদি মোদেল ক্লব চীঙামথক্না শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা দি এস য়ুবু রন ১২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মোদেল ক্লব চিঙামথক্না তোস ঙমদুনা বেট্টিং হন্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০৬ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৯৪ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ১২ দা মায়থিবা নঙখি।

মোদেল ক্লবগী বেট্টিংদা সুরেসনা বোল ২০ দা রন ২৯, দিমিননা বোল ৩০ দা রন ২৫ লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লিংদা বসন্তনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩, প্রেমজিৎনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ২, সোমোরজিৎ অমদি মাইসননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

দি এস য়ুগী বেট্টিংদা বসন্তনা বোল ৩৩ দা রন ২১, তোম্বানা রন ১৬ অমসুং চীঙতম্না রন ১৬ লৌখি। মোদেল ক্লবগী বোল্লিং দা সুরেসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অদুগা টিকেন, প্রয়াল অমদি দিমিননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লব চিঙামথক্কী ৱিকেট ২ অমসুং রন ২৯ লৌখিবা সুরেসনা তাখি।

৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা চেম্প খাগেম্পল্লি অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা চেম্পপু রন ২ দা মায়থিবা পীখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হন্না পায়বদা ওভর ১৮.২ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১০৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা চেম্পনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ২ দা মায়থিবা নঙখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা সমানন্দনা বোল ৩০ দা রন ৪২, মনাওবীনা বোল ৩৪ দা রন ২৯ অমদি গোজেন্দ্রোনা রন ১১ লৌখি। চেম্পকী বোল্লিংদা যোধিবনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩, রতন অমদি বাব্লুনা ৱিকেট ২ / ২ অদুগা বুলু অমদি ইন্দ্রমাননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

চেম্পকী বেট্টিংদা যোধিবানা বোল ২১ দা রন ২৯, ইন্দ্রমাননা রন ২৪, হোমেশ্বরনা রন ২০ অমদি রতননা রন ১২ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিং দা কুমারজিৎনা ৱিকেট ৩ অদুগা প্রিয়োজিৎ, শাচি অমদি সমান্দনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী ৱিকেট ১ অমদি রন ৪২ লৌখিবা সমানন্দনা তাখি।

হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ দা ওস্কার অমদি চেম্প অদুগা নুংথিল পুং ১২.৩০ দা এল সি সি সি অমদি সাইক্লোনগা শান্নগনি।

# চঙমদবী এফ সি অমদি ঐচ ই এস য়ু হৈত্রোইপোকী সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

নুঙব্রাং ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্নুনা নুঙব্রং প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা চঙমদবী এফ সি অমদি ঐচ ই এস য়ু হৈত্রোইপোকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এন কে জে সি কৈথেলমানবী অমদি চঙমদবী এফ সিনা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চঙমদবী এফ সিনা এন কে জে সিবু কিক ফোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। চঙমদবী এফ সিগী গোলশিং অদু সুনিস খান, রাজাট অমদি মিরৱাসনা চনখি অদুগা এন কে জে সিগী গোলশিং অদুনা সুশিল অমদি কিসননা চনখি।

২২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এন এফ সি (বি) নুঙব্রং অমদি ঐচ ই এস য়ু হৈত্রোইপোকপীনা শান্নখিবা মরীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ঐচ ই এস য়ুনা এন এফ সি (বি)বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। ঐচ ই এস য়ুগী গোলশিং অদু সলাম খাননা গোল ২ অমসুং মিরজা খাননা গোল ১ চনখি।

# কলিকা এফ সি, মরুপ , ৱাই এম সি অমদি সি টি এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ (এস এন এস)ঃ

হয়েল য়ঙ পোপুল্লর ক্লব (ঐচ ৱাই পি সি) হয়েলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্নুনা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সবেন এ–সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ট্রোফিগী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা কলিকা এফ সিনা ৱাই পি সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা কলিকা এফ সিগী গোলশিং অদু খোইমু অমদি এম সোমোজিৎনা চনখি।

১৬ শুবা মেটচ ওইনা ওইনা শান্নখিবদা মরূপ এফ সিনা কোম্হৌজম এফ সিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। গোলশিং অদু অরুন, রোসন, সিতল অমদি সঞ্জিৎনা চনখি।

১৭ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদনা ৱাই এম সিনা লাইরবা এফ সিবু গোল ১–০ দা থোয়খি। গোল অদু সনানা চনখি।

১৮ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সি টি এফ সিনা পনখৈ এফ সিবু গোল ৩–১ দা থোয়খি। সি টি এফ সিগী গোলশিং অদু ষ্টেলোননা ২ অমদি বিদাননা চনখি।

১৯ শুবা মেটচতনা লনচেনবী এফ সিনা ৱাইঙ্গোই এফ সিবু ৪–১ দা থোয়খি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com